থম্মোয় পাউদম

# ইন্দিয়া! করিগী কাং-খোং চাইরিবনো?

অওনবা ইন্দিয়া, চাওখৎপা ইন্দিয়া অমা ওইহন্নবইদমক্তা মরু ওইবা খূৎলায় অমা ওইহন্নবা খূৎলায় অমা ওইগনি খন্দুনা 'আধার' পুথোকখিবা নুপাদু 'নন্দন নিলকেনি' কৌবা কর্নাতকা মচা অমনি। 'ইনফোসিজ' হায়না খঙনবা আই টি কম্পনি অদুগী কো-ফাউন্দরনি। পোলিটিক্স তৌবা, পোলিটিকেল থিঙ্কর অমসু নত্তে। কম্পনিদুগী তোপ-ইকজিক্যুটিব অমা ওইনা লৈরিঙৈদা 'ইমাজিনীং ইন্দিয়া' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ফোঙখি। লাইরিক্তুগী অহানবা ৱাহৈ পরেংনি...' ইনফোসিজ কেম্পস মনুংগী লম্বীশিং অসিনা অসুক্কী মতীক ফরগা কেম্পসসিগী হেক ৱাংমদা লৈরিবা লম্বীশিং অসিনা, অসি য়ৌনা য়েংহৈদনা ফৎত্রিবসি করিগীনো?' অমেরিকান জর্নেলিষ্ট অমনা মঙোন্দা হংলকখিবা ৱাহং। খুন্স্ফম খঙদনা ঙাইহাক চমন্ননা লৈরুরগা খুমখিবা পাউখুম... 'ইন্দিয়ন পোলিটিক্সনা মরম ওইরগনি'... হায়বা পাউখুম অদুগা, অতোপ্পা কাউঙমদবা অমগা লৈ। মদুদি, ইন্দিয়ন জর্নেলিষ্ট অমনা অমেরিকান প্রসিদেন্ট 'দোনাল্ড ত্রম্প'তা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম ওইনা খুন্নকখিবা ৱাহৈ খরদুনি। মথায় থায়না মমাংঙৈ (এনসিয়েন্ত) সিভিলাইজেসনগীদমক চাউথোকচরিবা ইন্দিয়া'না ঙসি অসুপ চাওখৎতনা লৈরগা অমেরিকা'না অসুপ য়াম্না 'চাউখৎলিবসি করিদইনো'? ত্রম্প'না নোকফেৎ তৌনা খুন্নকখি হায়... 'বিকোজ- ৱি এপ্পোইন্ট দিজর্বিং পিপল এন্দ ইন্দিয়া এপ্পোইন্ট রিজর্ব পিপল... (মরমদি, ঐখোয়না মতীক চাবা মী খল্লগা থবক হাপ্পী, ইন্দিয়নশিংনা রিজর্ব তৌরবা মীওইতবু থবক হাপ্পী )।

মথক্তা পঞ্জরিবা ৱাফম অনীসি, মীয়াম্না থোইনা সিরিয়স ওইনা লৌনদবা, ফাগী ওইনা লীনবা ৱারী ওইরবসু, তশেংনা মুন্না খনজিল্লুরবদি ফাগী ওইনা লৌবা য়াদবা সিরিয়স ওইবা পোলিটিকেল ইস্যুনি। অমনা- শেমগৎ শাগৎপই থবক্তা পূকচেল শেংদবা, শেঞ্জা-থুমজানা মরম ওইদুনা মীয়ামগী চাওখৎ- থৌরাং পায়খৎপদা, লম্বী- থোং শেমগৎপদা মঙম শান্দবা। অতোপ্পা অমনা অচৌ-পীশক, অৱাং-অনেম, জাৎ-কুচু খেন্নবদা য়ূন্স্ফম ওইবা সোসল সিষ্টেম অমনা থোকহল্লকপা সোসল-দিসওর্দর। চাওখৎপা য়াদ্রবা, চাউদম থীল্লবা, মীমান্নদ্রবা লৈপাক অমা ওইদুনা লৈরিবসি করিদগীনো? পোলিটিকেল এনালিষ্ট নৎত্রগা অফাওবা ইকোনোমিষ্ট অমগী রিসর্চ ফাইন্দিং অমা নৎত্রবসু ৱাফম অসিদা কক্পা য়াদ্রবা অচুম্বা অমা য়াওরি হায়বদি ওর্দিনেরি ব্রেন অমনসু খঙগনি।

নিলকেনি'না, মাগী লাইরিক্তা থৌনা ফনা পোলিটিসিয়নশিংদা মরাল শীবা ৱাফম অসি হায়দোক্লুরগা, মাগী ষ্টেটমেন্ট অসি জষ্টিফাই তৌনবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট'না মতম মতমগী মতুংইন্না থাদোকখিবা দেতা অমদি দোক্যুমেন্টশিংদা য়ূন্স্ফম ওইদুনা শাংলবা ৱারী অমা লী- ইন্দিয়ন হেক নীংতম্লকঙৈদগী পাল্লকপা লৈঙাক ময়ামসিনা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্তা, লায়রবা কোকহন্নবগীদমক্তা পায়খৎলকখিবা য়াইফ- থৌরাং, কাইথোকখ্রিবা য়াম্লবা শেনফম- ফংফম থোকপা লায়রবা মীয়ামগী মখূৎতা য়ৌফম থোকপা চাংদুগী চাদা কয়া য়ৌবগে? ইন্দিরা গান্ধীগী মতমদা চাদা তরামঙা য়ৌরম্বদু, রাজিব গান্ধীগী মতমদদি চাদা তরা য়ৌরম্মী। রাহুল গান্ধীগী মতম য়ৌরকপদদি- মীয়ামগীদমক লুপা চাম কাইথোকখিবদু শুপ্নগী লুপা মঙাখক মীয়ামগী খূৎতা য়ৌরগা, লুপা মরিফুতরামঙাদি লৈঙাক্কী মকোক শঙলেন'দগী লায়রবই য়ূমথোঙ ফাওবগী লম্বীদুদা কদায় কদায়দনো- য়ুদুনা/ হোদুনা তাহৌরে। মদু পোলিটিসিয়নশিংনা তৌফম থোকপা মথৌ নীয়ম চুম্না তৌদবননি হায়না মরাল শীরদুনা অহোবদু মেন্নবা লম্বী অমসু পুথোক্লম্বনি। লম্বীদুগী মমিংনি - য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন নম্বর (আধার নম্বর)। ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীকোক খূদিংমক্তা (মীরৈবাক মচাসু য়াওনা) নম্বর অমমম্ পীরগা, খূদোংচাবদু ফংফম থোকপা মীদুগী বেঙ্ক একাউন্ট'তা দাইরেক ওইনা চঙহনবা, শেঞ্জা-থুমজা, হাবী-জাবীগী মফম লৈহন্দবা। অদুবু, লুরিবদি, খূদোংচাবসি ফংফম থোকপা মীদুনা আধার'গী মথৌ-মঙম খঙফম থোকপদু খঙলবরা? হায়বা ৱাহং অসিনি। শাংলবা ৱারীনি, মতেকসিদা তেনশিল্লগে।

চাওখৎপই ইঞ্জিন অসিবু গুরুং চৎহল্লিবা, মীয়াম্বু লম্বী লম্মুক্ত হল্লিবা- মসিগী অতোপ্পা মরম অমসু লৈপাকসিগী 'রিজর্ভেসন পোলিসি' অসিনি। 'ইন্দিয়ন' হায়বা অমত্তা ওইবা জাতি মখল অসিগী মরক্তা 'হিন্দু' অমসুং 'মুস্লিম' হায়বা তোঙান- তোঙানবা ফুরুপ অমমম্ ওইনা লৈই অমগী ৱাংমা-ৱাংমদা লৈহনখিবসি ১৯০৬, 'লোর্দ মিন্তো'না ভাইসিরোই ওইনা পাল্লিঙৈ মতমদা মুস্লিম লুচিংবা খরনা হৌদোক্লম্বনি। ১৯০৯ দা মায় পাকখি। মেক দোনাল্ড এৱার্দ হায়দুনা ১৯৩২দা হিন্দুশিংগী মরক্তা সেদ্যুল্ড ত্রাইব অমসুং সিদ্যুল্ড কাষ্ট কাঙলূপ হায়দুনা মখা তানা মচেৎ তাহন্নবা হোৎনরকপদু মহাত্মা গান্ধীনা পুনেগী য়েরাৱাদ জেল'দা চরা হেন্দুনা মায় পাকহনখিদে।

নীংতম্বা ইন্দিয়া অমা ওইরবা মতুংদদি, লৈঙাক কাঙলোন (কন্সটিট্যুসন) ইবদা লুচিংখিবা বি আর অম্বেদকর মশামক দলিত (এস সী) অমা ওইরুবদা এস সী/এস তি/মাইনোরিটি ক্লাসতা লৈরিবা অতোনবা জাৎ/হন্থবা থাক্কী মীওইশিং অসিবু অৱাংবা থাক্তা লৈরিবা মীওইশিংগা মান্নবা থাক্তা ইনখৎলকপদা মতেং ওইননবা মহৈ-মশিন তম্বা/ গভর্ণমেন্টকী/ সেমি গভর্ণমেন্ট/পব্লিক সেক্টরদা থবক চঙবনচিংবদা মখোয়গীদমক অখন্নবা সিট খাক্লবা 'রিজর্ভেসন পোলিসি' অমা চহী তরাখক্কীদমক অখন্ননা শেম্লকখি। পূকচেল শেংদবা, থৌশিল হৈতবা পোলিটিসিয়নশিংনা লৈপাক ঙাক্লকপনা, চহী তরাখক্কীদমক শেম্লকখিবা 'রিজর্ভেসন পোলিসি অদু চহী তরা-তরা খূদিংগী শাংদোক্লক্তুনা, ঙসিদি পর্মানেন্ট ওইরবা লেংদ্রবা পোলিসি অমা ওইরক্লে। ১৯৯০ দগী অদর বেকৱার্দ ক্লাসেস (ও বি সী) হায়বা কাঙলূপ অমগীসু রিজর্ব তৌরকখি। ও বি সী ওইরবসু মরেক-মহাও থোক্না হিংবা কাঙবু (ক্রিমি লেয়র)গীদি রিজার্ভেসনগী খূদোংচাবসি ফংলোই হায়বা ৱারোল অমা য়াওরি।

অদুম ওইদুনসু, 'রিজর্ভেসন পোলিসি' মীখলদা ভোট ফংনবগীদমক্তা কান্নবা পান্বে অমা ওইরক্লবনা, হান্নগী অপ্পর/ ফোরৱার্দ ক্লাস মরক্তগীসু শেল-থুমগী লম্দা শোথরবা মখোয়গী চাদা ১০ (১০%) রিজর্ব তৌরগনি হায়বা লো অমসু হন্দক্তা (২০১৮) শেমখ্রিবদুনি।

অসুম্না, কন্সটিট্যুসন অসি পূমনৌ নৌনা ইথোক্লগা, লৈপাকসি পূমশেম শেমদোক্ত্রগদি লৈপাক অসি নোংমা পূমচাই চাইরক্তুনা নুঙগী চক'তা অমুক হল্লকপা, অঙকপা ওইরোই 'ইন্দিয়া'।

লৌশিং পুক্কে

# হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পীরিবা খোইহী



পৎপ-পুন্বা নাইদবা, মতম চুপ্পা ইনৌদা নৌদুনা লৈরবা পোৎলম অমত্তং হায়বা তারবদি খোইহীনি। বৃটেনগী রিছার্চরশিংনা খোইহীগী মরমদা মতম শাংনা থিজিন্দুনা লাকখি। য়ুনিভর্সিটি ওফ মেঞ্চেষ্টরগী রিছার্চরশিংনা থিজিনবদা মহীক মতাই হাৎপা ঙম্বগী মগুন চেল্লিবা খোইহীবু হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াগনি হায়বা খঙলে।

ফ্যুসারিয়ম কৌবা ফঙ্গস অমনা মীওইবগী মীৎ তাঙহল্লকই। কনাগুম্বগী পুন্সি ফাওবা মাঙনিংঙাই ওইহল্লকই। পাম্বী মখল খরা অমদি লৈবাক লৈহাওদা য়াওবা ফঙ্গস মখল অসি খোইহীনা অরায়বা মওংদা মাঙ-তাকহনবা ঙম্মী হায়বা রিছার্চরশিংনা থিজিনবদা খঙলে। খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ফঙ্গস অসিগী সেল ৱাল থুগায়বা ঙল্লিবা খোইহীবু অনা লায়েংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে হায়রি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চর জেন হবিব অলহিন্দিনা হায়খি, মতম শাংনা ওইশিনবা ঙমদ্রবা অশোকপা মফমদা ফঙ্গসনা মরম ওইরদুনা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। মসিদগী ঙাকথোক্লবা তঙাইফদবা ব্রোদ স্পেক্ট্রম এন্টিবাইওটিক চাবগী মথৌ তারকই। অশোকপা মতমদা মাইক্রোওর্গানিজমশিংগী অপাবা কুয়োম (বাইওফিল্ম) অমনা কূপশিনখিবদগী ওইশিনবদা ৱানা থোকই। অদুবু খোইহীনা হায়রিবা বাইওফিল্ম অসি নমখায়বা ঙম্বনিনা অশোকপা ওইশিলহনবদা চাউনা মতেং পাংই হায়না রিছার্চরশিংনা ফোঙদোকখি। কৈথেলদা ফংলিবা এন্টিফঙ্গেল মেদিসিন খরদগী খোইহীনা ফবা হেল্লি হায়বসি হন্দক্তা থিজিনবদগী খঙলকপনি।



রিছার্চরশিংনা হায়খি, ফঙ্গেল ইনফেক্সন ফহনবা ঙল্লিবা খোইহীবু অফবা মখলগী হীদাক ওইনা শীজিন্নরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। খোইহীনা হকচাংদা পীরিবা কান্নবদি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। লোক খুবদগী হৌরগা অশোকপা ওইশিলহনবা অমসুং ইনফেক্সন মায়োক্লবা অসিনচিংবা কয়া কয়ানি।

কনাগুম্বা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহন্নিংবশিংনা অথুম্বা চানিংলকপা মতমদা চিনিগী মহুত্তা খোইহী ওইনা শীজিন্নবা য়াই। অদুবু খোইহীদসু চিনিগী শরুক য়াওবনিনা ময়ায় ওইরপ্পা চাংনা শীজিন্নবা মথৌ তাই। অয়ুক খুদিংগী চাকখাউ হাংলিঙৈদা লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংদা চমপ্রা মহী শুমজিল্লগা খোইহী খরা য়ানশিন্দুনা থকপা অসুক্কী মতিক ফৈ। কনাগুম্বা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহন্নিংবশিংনা চা অমদি খোইহী থকপদা চিনিগী মহুৎ খোইহী ওইনা শীজিন্নবা কান্নগনি। এন্টি-ওক্সিদেন্ট অমসুং এন্টি-বেক্টিরিয়লগী মগুন চেল্লিবা খোইহীনা দাইজেষ্টিভ সিষ্টেম ফহন্দুনা হকচাং ফহনবগা লোয়ননা কেন্সর অমদি হার্ট দিজিজনচিংবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকই।

দর্মাটাইটিস অমসুং লুপৌ ফহনবা ঙল্লিবা খোইহীদা ভিটামিন অমদি মিনরেল মরাং কায়না য়াওই। ব্লদ প্রেসরসু চাং অমদা লেঙদনা লৈহনবদা মতেং পাংই। তূম্বা য়াগন্দবা অমসুং তোয়না মীৎকপ থোক্কনবা অঙাংশিংদা চাং নাইনা খোইহী পীথক্লবদি মপুং ফানা তূম্বা য়াহল্লি। খ্বাইদগী মরুওইরিবদি অশোকপা ওইশিলহনবগী মতাংদনি। হিরম অসিগী মতাংদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চর জেন হবিব অলহিন্দিনা হায়খি, হকচাংগী মফম অমদা অশোক অপন য়াওরকপা মতমদা ফঙ্গসনা মরম ওইরদুনা ওইশিনবদা তপথহল্লি। অশোকপা মফমদা খোইহী তৈরবদি ফঙ্গস পুম্নমক লৌথোকখিদুনা অশোকপা ওইশিলহনবদা মতেং পাংই। অদুম ওইনমক ফঙ্গেল ইনফেক্সন অমদি তোঙান তোঙানবা সুপরফিসিয়ল ইনফেক্সনশিংদা খোইহীবু হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী মতাংদা মখা তানা থিজিনগদবা ৱাৎলি। অদুম ওইনমক কুইনা লায়জৌদুনা লৈরবা অশোকপা মফমদা খোইহী তৈবা ফৈ হায়বসি রিছার্চরশিংনা কূপ্না থিজিল্লবা মতুংদা খঙলকপনি। রিছার্চরশিংনা হায়খি, মাইক্রো ওর্গানিজমশিংগী অপাবা কুয়োম অমনা কুপশিনখিবদগী অশোকপা মফম ওইশিল্লক্তবা মরম্না লায়জৌরকপনি। করিগুম্বদা মহীক মতায় চঙখিবদগী লায়জৌরকপসু য়াওই। অদুবু অয়াম্বা মতমদা ফঙ্গসনা মরম ওইরদুনা অশোকপা খুদিংমক ওইশিনবা ঙমদবনি। ফঙ্গেল ইনফেক্সন অমদি তোঙান তোঙানবা সুপরফিয়িল ইনফেক্সনশিংদা খোইহীবু হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী মতাংদা মখা তানা থিজিন্নবা হোৎনরি।

# 'হকচাংসি শিন্দোকনীংবা ফাওরকই'

মমি ৱারী

থৱান









*Thawan is a poet and musician from Imphal.*